# নোর্থ কোরিয়াগী থ্রেটকী মতাংদা ত্রম্পনা সি জিনপীংনা তৌখিবশিং থাগৎখ্রে



হমবর্গা, বৈজিং, জুলাই ০৯: হিরম কয়াদা চাইনাগী মায়োক্তা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মহাক্কী হান্নগী অকনবা ফীরেপতগী খোংফম হন্দোক্লদুনা থাংজ নুমিৎতা জি-২০গী সম্মিটতা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপীংগা মরু ওইবা ইস্যু অনীগী মতাংদা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী ৱাফম য়ানখ্রে। সম্মিট অদুদা লুচিংবা অনীনা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা লেপ্পখিনা ইস্যু অনীদুদি নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র থ্রেট অমসুং লৈবাক অনীগী ললোন-ঈতিক্কা মরী লৈনবা পেন্নদবা ৱাফমশিংনি।

ত্রম্পনা হৌখিবা চহীগী প্রসিদেন্টগী মীখলগী কেম্পেইন মনুংদা চাইনাগী ফজদবা ললোন-ইতিক্কা মরী লৈনবা প্রেক্টিসশিংগী মায়োক্তা অকনবা খোংথাং কয়া লৌখৎনি হায়খি। তৌইগুম্বসুং ওফিস পাইরবা মতুংদা মহাক্কী ফীরেপ্তা অহোংবা খরা উহন্দুনা মহাক্কী ৱাঙাং ৱাতাশিং শেমদোক্তুনা ন্যুক্লিয়র ইস্যুগী মতাংদা মহাক্না চাইনাগা থবক তৌমিন্নবা পামই হায়খি।

লুচিংবা অনীনা হৌখিবা এপ্রিলদা ফ্লোরিদাদা লৈবা ত্রম্পকী রিজোর্টতা অহানবা ওইনা হকথেংননা উনখিবা মতমদা ত্রম্পকী মায়কৈদগী অহোংবা খরা উহন্দুনা প্রসিদেন্ট সি জিনপীংবু অফবা মীশক অমনি হায়না ফোঙদোকখি ত্রম্পনা বৈজিংগী শেল-থুমগী ঈথিল শীজিন্নদুনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাই প্রোগ্রাম কনত্রোল তৌনবা প্রসিদেন্ট সিদা তকশীনখি।

ত্রম্পনা হন্দক নোর্থ কোরিয়াগী মতাংদা চাইনানা লৌরিবা থৌদাংদা নুংনাংবা উৎখি। মরুওইনা পিয়োংয়াংনা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল অমা চাংয়েং তৌখিবা মতুংদা ত্রম্পনা বৈজিংগী থৌদাংদা পেন্দবা উৎখিবনি। পিয়োংয়াংনা চাংয়েং তৌখিবা বলিষ্টিক মিসাইল অদু এক্সপার্ট খরনা অলাস্কা অমসুং য়ু এসকী নোংচুপ থংবা ঈশিং খোংবালগী শরুক খরা য়ৌবা ঙম্বা য়াই হায়না থাজনরিবনি। মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসননা টাইৱানদা ইনৌ নৌনা অমুক খুৎলাই য়োনখি, চাইনাগী সিটিজেন অনী অমসুং সিপিং কম্পেনি অমগী মথক্তা অথীংবশিং থমখি অমসুং চাইনাবু মালেমগী হ্যুমেন ত্রাফিক্কীংগা মরী লৈননা য়ু এসনা য়েংশীল্লিবা লৈবাকশিংগী লিষ্টতা হাপচিনখি।

এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা চাইনাগী বেঙ্ক অমসু পিয়োংয়াংগী শেল ত্রাঞ্জেক্সন্দা মতেং পাংখি হায়নসু মরাল শিখি।

ষ্টীল এক্সপোর্টশিংগা মরী লৈননা তোঙানবা টারিফশিং লৌনবা হোৎনবা য়াওনা হ্বাইট হাউইনা বৈজিংগী মায়োক্তা লৌখৎপা য়াবা ত্রেদ এক্সনশিংগী মরমদসু দিবেট চথুরিবনি।

তৌইগুম্বসুং জি-২০গী সম্মিটকী নাকোইননা সিনা ইনভাইট তৌবদগী মখোয়নিনা থাংজ নুমিৎতা জর্ম্মনিদা উনখিবা মতমদা ত্রম্পনা নুংনাংবা অমদি পেন্দবা অমৎতা উৎখিদে। বৈজিংগী থৌওংশিংদা পেন্দবা উৎপগী মহুৎতা মহাক্না চাইনিজ প্রসিদেন্টনা নোর্থ কোরিয়াগী মতাংদা মমাঙদা তৌখিবা কয়াবু থাগৎখি অমসুং মহাকপু মরুপ অমা ওইনা ফংবগী নুংঙাইবা উৎখি।

# জি-২০ সম্মিট য়াদবা প্রোটেষ্টরশিংগা খুৎ থোক্লবদা পুলিস ওফিসর ২১৩ অশোক-অপন নংখ্রে



হমবর্গ, জুলাই ০৯: জর্মন চান্সলর এঞ্জেলা মর্কেলগী হোমটাউন হমবর্গতা পাঙথোক্লিবা জি-২০ সম্মিটকী হুম্নি চনবা, নুমিৎ থাংজ ফাওবদা প্রোটেষ্টরশিংগা খুৎ থোক্লবদা অশোক-অপন নংখিবা পুলিস ওফিসরশিংগী মশিং ২১৩ য়ৌখ্রে, য়ামদ্রবদা প্রোটেষ্টর ১১৪ ফাগৎখ্রে অমসুং ১৮ দিতেন তৌখ্রে হায়রি।

দেমোন্সেত্রেটরশিংবু তিয়র গ্যাস, মোরোক মকুপকী স্প্রে অমসুং ৱাটর কেননশিংগা লোয়ননা লাকশিন্নবা হোৎনখিবা পুলিসনা হায়খি মদুদি, মখোয়না ব্লেক ব্লোক হায়না খঙনবা মমিৎ মমাই অমসুং মকোক পুন্বা খুমজিনবা ইরাং শাগৎপা প্রোটেষ্টর কাংবুশিংবু লাকশিন্নবগীদমক থৌরাংশিং অদু পাইখৎখিবনি।

জি-২০গী সম্মিট অদুগী মায়োক্তা লাংখিবা ৱেলকম টু হেল হায়বা দেমোন্সত্রেসন অমবু ফোর্স শীজিন্নদুনা লাকশীন্নবা হোৎনরকপদগী এন্টি-কেপিটেলিষ্ট প্রোটেষ্টর গ্রুপ অমা নীংবা কাইখি হায়না ফ্রেঙ্কফর্টকী মীওই অমনা রোইটর্জগী পাউমী অমদা হায়খি। থৌদোক মচা অমদা য়ুম্ফম ওইরগা প্রোটেষ্ট খুদিংমক অরৈবা পাম্বে খুদিংমক শীজিন্নদুনা লাকশীন্নবা পুলিসনা শেম শারগনি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

ৱেলকম টু হেল অসি জি-২০গী সম্মিটকী মমাঙগী নুমিৎশিং অমসুং মনুংদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখিবা দেমোন্সত্রেসনশিংগী মনুংদা অহানবনি।

জর্মন চান্সলর অমসুং জি-২০গী থৌবু এঞ্জেলা মর্কেলনা মহাক্কী হোমটাউন হমবর্গবু সম্মিটতুগী মফম ওইরগনি হায়না লাওথোকখিবা মতমদা মীওই খরনা সিটিদুগা লোয়ননা মদুদা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন ১.৮ দা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লক্কনি হায়না কিনখিবগা লোয়ননা সম্মিট অদুগী মায়োক্তা দেমোন্সত্রেসনশিং লাংখিবনি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প, রশিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন অমসুং টর্কিশ প্রসিদেন্ট টায়িপ রেসেপ ইর্দোগনগুম্বা মালেমগী লুচিংবশিংবু সিটি অদুদা তরাম্না ওকপদা চংগদবা সিক্যুরিটি এরেঞ্জমেন্টশিংদুনা মীয়ামদা অমসুং বিজনেসশিংদা অকাইবা শোইদনা পীগনি হায়বগী অকিবা লৈরবসু মর্কেলনা সম্মিট অদু শোইদনা পাঙথোক্লবা অমসুং মদুবু মায় পাকহন্নবগীদমক লৌখৎপা য়াবা সিক্যুরিটিগী থৌরাংশিং লেপখিবনি।

জর্মনিগী মফম কয়াদগী লাকপা দেমোন্সত্রেটরশিংনসু মখোয়গী মফম অমদা পুনবা য়াবগী রাইট অদু শীজিন্নখি।

ওথোরিটিশিংনা রেদ জোন হায়বা মফম অমা শেমদুনা জি-২০গী লিদরশিং, মখোয়গী কনভোইশিং অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটরশিং নত্তনা অতৈনা চংবদা অথিংবা থমখি। য়ামদ্রবদা রাইঅট পুলিস ১৫,০০০ দিপ্লোইদ তৌখি।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা মহৈরোয় অমনা "রেদ জোন" শেম্বনা প্রোটেষ্ট তৌবগী রাইট মাংহন্নবা হোৎনরে হায়বসি উৎলে হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা প্রোটেষ্টর গ্রুপ অমনা অথিংবা থল্লিবা এরিয়া অদুদা নমদুনা চঙশীন্নবা হোৎনখি। মশাগী চহী ৪০ শুরবা গ্রুপকী শিন লাংবা অমসুং পোলিটিকেল সাইন্টিষ্ট অলেক্সি পাসাদাকিসনা প্রোটেষ্ট অদুগী পান্দমদি 'সম্মিট অদুদা অপনবা পীবনি' হায়না ফোঙদোকখি।

পাসাদাকিসনা হায়খি মদুদি, জি-২০ অসি ইন্টরনেসনল লোদা য়ুম্ফম ওইদবা পোং অমনি। ঐখোয় ত্রান্সপরেন্সি লৈতবা লৈঙাকশিংগী পার্টনরসিপ অমা পামদে। অফবা ক্লাইমেট চেঞ্জগী পোলিসি লৈতে অমসুং মখোয়না মাইগ্রেন্টশিংগী লম্বীদা অপনবা পী।

# মোসুলগী নোংচুপ থঙবা শরুক্তগী চেন্নবা হোৎনখিবা আই এস আই এসকী টেররিষ্ট ৩৫ হাৎখ্রে

মোসুল, জুলাই ০৯: সিক্যুরিটি ফোর্সশিং থোমজিল্লকপদা মোসুলগী নোংচুপ থংবা শরুক্তগী চেন্নবা হোৎনখিবা আই এস আই এসকী এক্তিভিষ্ট ৩৫ হাৎখ্রে অমসুং অতৈ ৬না ফারে হায়না ইরাকি ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

অরিবা সিটিদা লাঙ্গৌই চন্দুনা লৈরিবা দেইশকী মিলিটেন্টশিংনা মোসুলগী নোংপোক থংবা শরুক্তা চঙশিল্লগা মনিং তমহল্লবা এরিয়া খরদা কাংখোং চাইহন্নবা থৌরাং তৌরে হায়বগী থাজবা য়াবা অরোনবা পাউ অমা ফংখি হায়না এনাদোলু ন্যুজ এজেন্সিনা ইরাকি ওফিসল অমা পল্লদুনা হায়খি। ওফিসল অসিগী মতুংইন্না, দেইশনা মোসুলগী নোংপোক থংবা শরুক্তা এতেক তৌনবা হোৎনরকপদা মায় পাকহন্দনবা পাইখৎপা থৌরাং অমা ওইনা টাইগ্রিস তুরেল পরিংদা স্নাইপর দজন কয়া দিপ্লোইদ তৌখ্রে।

চৈরকসিদা, মোসুলগী নোংচুপতা লৈবা টাল অফর সিযিগী চিদাইদা আই এস আই এসকী কনভোই অমদা এয়রষ্ট্রাইক চথুবদা দেইশকী মিলিটেন্ট ১০ শিখ্রে হায়রি। চয়োল অসিগী অঙনবদা টাল অফারদা আই এস আই এসকী মিলিটেন্টশিংনা টর্কমেন ২০০ হাৎখ্রে টর্কমেনশিং অদু মিলিটেন্টশিংনা থা অনীরোম ফাদুনা থল্লক্লবা মতুংদা হাৎখিবনি।

কুমজা ২০১৪গী ময়াই চনবদা আই এস আই এসনা মোসুল সিটি পাইশিনখি অমসুং সিটি অসি ইরাক্কী অৱাং থংবা শরুক্তা গ্রুপ অসিগী অরোইবা ষ্ট্রোংহোল্ড ওইরি।

নাকল অনীগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লবদগী মীওই লিশিং ৩৫০ রোম মোসুলদগী ময়ুম মকৈ থাদোক্ত্রে হায়না পানরি।



চৈরকসিদা সিযি অসি লালহৌবশিংগী মখুৎতগী মীৎকুপ অমদা হেক্তা মপুং ফানা পাইশিল্লগনি হায়না থাংজ নুমিৎতা ইরাকি মিলিটরি কম্মান্দরশিংনা ফোঙদোকখ্রে। অমরোমদা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনসু শিরবসু শিনা মখোয়গী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা মোসুলদা লাম্ন্থেংনগনি হায়না ৱাশকখ্রে।

হৌনবী মতুংইন্না লালদা মায় পাক্লে হায়না লাওথোকপা ঙাইবগী মহুৎতা ইরাকি লান্মী দজন কয়ানা তাইগ্রিস তুরেলগী তোর্বানশিংদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি। মখোয় খরনা ত্রক অমদগী থাদোরকপা ঈশৈ খোঞ্জেল্লক্তা জগোয় শানখি অমসুং নোংথক্তা মেছিননরশিং কাপখি হায়না রোইটর্জগী করেসপোন্দেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং থা কয়া শোক্লরকখিবা লালনা মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈশিং থাদোক্লবা মোসুলগী মীওই মিলিয়ন অমরোমদদি হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লিংবগী মওং অদু উবা ফংদ্রি হায়রি।

মীওই কয়া সিটিগী মপান্দা শাবা কেম্পশিংদা নুংশাগী অকনবা মৈশা খাংদুনা লৈরিবনি। নৌনা শেমগৎ-শাগৎপা তৌদ্রবা অমসুং মীশিংনা মখোয় মখোয়গী ময়ুমদা হল্লক্লদুনা মখোয়গী পোৎচৈশিংদু অমুক হন্না ফংবা ঙম্নদ্রবদি নীংতম্বগী ৱাহন্থোক করিনো হায়না মোসুলগী নোংপোক্তা লৈবা হশন সাম কেম্পতা চংজফম লৌরিবা মোহম্মদ হাজি কৌবা মশাগী চহী ৪৩ শুরবা ললোন ইতিক তৌবা মীওই অমনা হায়খি।

# ইজিপ্টকী পুলিসনা ইস্লামিক গনমেন ১৬ হাৎখ্রে



কাইরো, জুলাই ০৯: নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অনীদা ইজিপ্টকী পুলিস ওফিসরশিংনা গনমেন ১৬ হাৎখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। পুলিসনা হাৎখিবা গনমেন অয়ামবা হন্দক্তা নোরদর্ন সিনাইদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা চথুখিবা এতেকশিং অদুগা মরী লৈনবা মীচেন ওইরবা মিলিটেন্টশিংনি হায়না মিনিষ্ট্রিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইরাং কনবা সিনাই পেনিন্সুলাদা ইজিপ্টনা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ্না লুচিংবা ইস্লামিষ্ট লালহৌ মায়োক্লরকখিবনি। পেনিন্সুলা অসিদা কুমজা ২০১৩দগী লালহৌবশিংগা খুৎ থোক্লবদা লান্মী অমসুং পুলিস চা কয়া পুন্সি লোমখ্রে।

সিনাইদা হৌখিবা থাংজদা আরমর্দ ভেহিকল অমদা বোম পোকখাইহনবদগী য়ামদ্রবদা মদুদা তোংবা পুলিসমেন অনী শিখ্রে অমসুং অতৈ মাপন অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ইজিপ্টকী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি মেনানা ফোঙদোকখি।

থাংজ নুমিৎকী এতেক অসি ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেম তৌখিবা এতেক অমদা সুইসাইদ কার বোমশিং পোকখাইহন্দুনা লমদম অসিগী মিলিটরি চেকপোইন্ট অনীদা এতেক চথুদুনা য়ামদ্রবদা লান্মী ২৩ হাৎখিবা মতুং নোংমা লৈরগা পাংথোরক্লিবনি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি মদুদি, ইসমাইলিয়াদা লৈবা মিলিটেন্টশিংগী লৈকংলাগী ত্রেনিং কেম্প অমা তম্না চঙশিনখিবা পুলিস কাংবু অমদা গনমেনশিংনা নোংমৈ কাপ্লকখি। ওফিসরশিংদুনসু খুৎ হনখি অমসুং মিলিটেন্ট ১৪ হাৎখি। হৌজিক মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, কেম্প অদু রিক্রুটশিংবু তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলাইশিং শীজিন্নবা তম্বা অমসুং এক্সপ্লোসিভ দিঙাইসশিং শাবগী মরমদা খঙহন্নবগী মিলিটরি ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং পাইখৎপদা শীজিন্নৈ।

তোঙানবা ৱারোল অমদা মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়খি মদুদি, গিজা সিটিদা নোংমৈ কাপ্পবদা টেররিষ্ট মীচেলশিংনি হায়বা মীওই অনী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা নোংমৈ কাপ্পবদা শিখ্রে। ওফিসরশিংনা মীওইশিংদুবু ফানবা এপার্টমেন্ট অমদা চঙশীনখিবা মতমদা মখোয়না ওফিসরশিংদা নোংমৈ কাপখিবনি। মখোয়নি হাসম কৌবা নৌনা শেম্বা মিলিটেন্ট গ্রুপ অমগী মেম্বরশিংনি। হোমলেন্দ সিক্যুরিটি ওফিসর অমা হাৎখিবগী থৌদোক গ্রুপ অসিনা ক্লেম তৌখ্রবনি। ওফিসর অদু ইরাই নুমিৎতা অৱাং থংবা প্রোভিন্স কালুবিয়াদা লৈবা ময়ুমদগী থোক্লক্লগা লাই খুরুম্বা চৎলিঙৈদা হাৎখিবনি।

# দিষ্ট্রিক্ট অমা পাইশীন্নবা হোৎনবগী খুৎথোক্লবদা টালিবান মিলিটেন্ট ২০০ রোম শিখ্রে

লাসকর্গা, জুলাই ০৯: অফঘানিষ্টানগী খা থংবা হেলমন্দ প্রোভিন্সকী নাৱা দিষ্ট্রিক্টতা টালিবান লাকশিন্নবগী কেম্পেইন অমা হৌখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চয়োল অসিদা মিলিটেন্ট ২০০ হাৎখ্রে হায়না নাৱা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী চীফ নফোস খাননা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

হেলিকোপ্টর গনসিপশিংনা মতেং পাংবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা হৌখিবা চয়োল অসিদা টালিবানগী পোজিসনশিংদা তার্গেট তৌরকখিবা অমসুং হৌজিক ফাওবদা গ্রুপ কাম্মান্দর কয়া য়াওনা খুৎলাই পাইবা লালহৌবা ২০০ ফাওবা হাৎখ্রে হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি। মখা তারদুনা মহাক্না ইরাং নংলবা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা তং তাবা ফিভম হঞ্জিনহন্নবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হনবা লৈতনা হোৎনগনি হায়খি।

অদুম ওইনমক খাননা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মায়কৈদা মীশি মীনা কয়াম থোক্লবগে হায়বদুদি পনখিদে।

চৈরকসিদা টালিবানগী স্পোক্সমেন জাবিহুনাহ মুজাহিদনা হায়খ্রে মদুদি, হৌখিবা চহী অসিদা নাৱা দিষ্ট্রিক্টপু কনত্রোল তৌখিবা টালিবান মিলিটেন্টশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অদুবু গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা নৌনা পাইশীন্নবা খুদুম চননবা হোৎনরকখিবদা মায় পাকহনখিদ্রে।

হৌখিবা চয়োলমুকসিদা সিক্যুরিটি পার্সনেল মাপন হাৎখ্রে অমসুং গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা নাৱা দিষ্ট্রিক্টপু নৌনা খুদুম চননবা হোৎনরকপদা মায় পাকহনখিদ্রে হায়না মজাহিদনা ক্লেম তৌখি।

নাৱা, মজরা, সঙ্গিল অমসুং হেলমন্দ প্রোভিন্সকী পোপি থাবা অতৈ দিষ্ট্রিক্ট খরদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং টালিবান মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা তোইনা খুৎ থোক্লদুনা লাকখিবনি।

# ভেনিজ্যুলাগী ওপোজিসন লিদর জেলদগী থাদোক্লগা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখ্রে

করাক্কস, জুলাই ০৯: চহী অহুম হেন্না জেলদা থল্লকখিবা ভেনিজ্যুলাগী ওপোজিসন লিদর লিওপোলদো লোপেজ হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্নবগীদমক্তা থাংজ নুমিৎতা জেলদগী থাদোকখ্রে অমসুং মহাক্কী ইমুংগা অমুক হন্না লৈমিন্নখ্রে। হকচাংগী ফিভমদা য়ুম্ফম ওইরগা লোপেজবু জেলদগী থাদোক্লগা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্নবগী ৱারেপ লৌরকপনি হায়না লৈবাক অসিগী সুপ্রিম কোর্টনা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা ফোঙদোকখি।

লোপেজগী মরী মতা অমনা মহাকপু হাউস এরেষ্টকী ফীভমদা থম্বগী পাউদু কনফার্ম তৌখি। মহাক্কী হকচাংগী ফিভমগী ওইবা অকুপ্পশিংদি খুদক্কী ওইনা ফংখিদে। হৌখিবা ২০১৪দা গভর্ণমেন্যগী মায়োক্তা চথুখিবা প্রোটেষ্টশিংদা ইরাং থোকহন্নবা শীনখি হায়না মরাল শিরদুনা লোপেজবু কোর্টনা চহী ১৪ জেলদা থম্নবা ওর্দর তৌখিবনি। লোপেজনদি মঙোন্দা শিরিবা মরালদু মতম পুম্বদা য়াদদুনা লাকখি।

চৈরকসিদা, সুপ্রিম কোর্টনা লোপেজবু জেলদগী থাদোক্লবা লৌখিবা ৱারেপ অদু মহাক্না ইকায় খুম্নে অমসুং শৌগৎলি হায়না ভেনিজ্যুলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা ফোঙদোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং মহাক্না লৈবাক অদুদা ঈং-চীক্না লৈবগী ফিভমদা অকাইবা থোকহন্দনবা অমসুং অশোইবশিং চুমথোক্লবা হোৎনবা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা আপিল তৌখি।

জেলদগী থাদোরকখিবা মতুং পুং খরা লৈরগা লোপেজনা মহাক্কী সপোর্টরশিংদা মাদুরোগী মায়োক্তা লম্বীদা মখা তানা প্রোটেষ্ট তৌনবা তকশিনখি।

ভেনিজ্যুলাগী ওপোজিসন অমসুং মালেমগী পৱারশিংনা মহাকপু জেলদগী থাদোক্লবা মতম শাংনা তকশিনদুনা লাকখিবনি।

ওর্গনাইজেসন ওফ অমেরিকান ষ্টেটসকী রিজনেল ব্লোক্কী মকোক লুই অলমাগ্রোনা হায়খি, কোর্টকী ৱারেপ অদুনা লৈবাক্কী ওইনা শন্দাইনবা পুরক্লবগী খুদোংচাবা অমা পীরে।

হান্না প্রসিদেন্টগী মীখলদা ওপোজিসনগী কেন্দিদেট ওইখিবা হেনরিক কেপ্রিলিসনা পোলিটিকেল প্রিজনর খুদিংমক্না লোয়ননা মহাকপু (লোপেজবু) মপুং ফানা মনিং তমহনগদবনি হায়খি।

জেল মনুংদা মচানুপানা লৈখিবা ফিভমগী মতাং অমা পল্লদুনা লোপেজগী অপোকপনা স্পেনিস রেদিওদা হায়খি মদুদি, নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মখোয়না মহাকপু নুমিৎ হুম্নি তোঙান্না অমম্বদা ঈশিং ফাওবা পীদনা থমখি।

# জপানদা ঈশিং ঈচাউ অমসুং চীং নীংখায়বা মরক্তা মী কনবা অমসুং থীবগী থবক কন্না চথুরি

অকাসুরা, জুলাই ০৯: মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা নোং কা হেন্না কন্না চুবদগী জপানগী খা-নোংচুপ থংবা লমদমদা থোক্লিবা ঈচাউ অমসুং চীং নীংখায়বদা থীবা খঙখিদ্রবা মীওইশিং নোংমাইজিং নুমিৎতা লৈবাক অসিগী রেসক্যু ৱার্করশিংনা মখা তানা থী হুমখি। মফম কয়াদা থোক্লিবা ঈশিং ইচাউ অমসুং চীং নীংখায়বগী থৌদোকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ শিখ্রে অমসুং মীওই চা কয়া ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রে হায়না পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন ঐস কেনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

পুলিসমেন অমসুং লান্মী ১,৯০০ রোমনা অচৌবা মেছিনরি শীজিনন্দুনা নোং মরক্তা লম্বী অমসুং য়ুম কৈ কয়া ফুমজিনলিবা উ অতেক অকাইশিং অমসুং লৈখোম মরক্তা থী হুম্বগী থবক চথুখি। ওথোরিটিশিংনা নুমিদাং অথেংবদা নোং হেন্না কন্না চুবা য়াই অমসুং মফম কয়াদা অহেনবা চীং নীংখাইবগী থৌদোকশিং থোক্লবা য়াই হায়না চেকশীন ৱা হায়খ্রে হায়রি।

কা হেন্না কনবা নোংজুগী ফিভম অদু পেসিফিক্তা লাকখিবা লো প্রেসরগী ফীভমনা থোকহনখিবনি। পেসিফিক্কী লো প্রেসরগী ফিভমনা জপানগী নোংজুথাগা মরী লৈনদুনা লাকখি।



খ্বাইদগী ফিভম থীনা শোকখিবা ফুকৌকা অমসুং য়ুমথংনবা ওইতাদা মীওই ১৮ শিখ্রে তোঙাননা লৈখিবগা লোয়ননা মীওই ২০ হেন্না থীবা ফঙদ্রি হায়না এন ঐচ কেনা ফোঙদোকখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা নোং চুবা হৌখিবদগী অসাকুরা সিটিদা নোং এম এম ৬০০ (ইঞ্চি ২৪) চুখ্রে অমসুং হিতাদনা মান্নবা মতমগী মনুংদা নোং এম এম ৪৫০ চুখ্রে হায়না মিটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

ক্যুসু রিজনগী অৱাংথংবা শরুক্তা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিৎ য়ুংবা ফাওবদা নোং এম এম ১২০ চুরবা য়াই অমসুং য়ুম্লোন্নবা চুগোকু রিজন (ৱেষ্টর্ন জপান) দনা নোং এম এম ১০০ চুরবা য়াই হায়না মিটিওরোলোজিকেল এজেন্সিনা ঙসি ফোরকাষ্ট তৌখ্রে।

